# শঙ্গোম থোকপী ষণবীদা পীজ পীথকপা

ডা: সরাংথেম জেম্মারাণী






**শঙ্গোম** থোকপী ষণবী লোইদুনা ইশাগী শেন্দাল লন্বী অমা ওইনা শেন্দোং লৈনা লোইবা হায়বসি ষণবু খুদিংগী অপান্বনি। ষণবু খুদিংমক্কা মচা লৌখ্রবা মতুং নৎত্রগা মচা পোল্লগা শঙ্গোম থোল্লবা কান্দদা হেন্না পীজ পীথক তৌবগী হৈনবীসি লৈ। ষণবু অয়াম্বনা শজিক মরাং কায়নবু লৈরগদি শজিক খক্লা নম্না পীজনৈ। মফোনগী শরুক পীজবা খরা ৱাৎলি। শঙ্গোম শুল্লবা মতমদা মফোনগী শরুকশিং পীজবা থেংনজে। ষণ অমনা য়ামদ্রবদা ১৪-১৫% দাইজেষ্টিব ক্রুদ প্রোটিন (দি সী পি) অমসুং ৬৮% টুটেল দাইজেষ্টিব ন্যুত্রেন্ট (টি দি এন) চঙই। হায়রিবা অসি ফংহনগে হায়রগদি শজিক পীজবগী মথক্তা মফোনগী শরুকসু য়াওহনগদবনি। মসিগী মথক্তা মীনরেল, ভিটামিন অমদি থুমসু চাদা ১ গী চাংদা হাপ্পীগনি।

শঙ্গোম থোকপী ষণবী অমনা য়ামদ্রবদা কেজি ২গী মফোনগী শরুক পীজবীগনি। মসিগী মথক্তা শঙ্গোম শুল্লিবা ষণবী ওইরগদি অহেনবা শঙ্গোম থোক্লিবা খুদিংগী অহেনবা মফোনগী শরুকসি পীজবীগনি। নোংমদা য়ামদ্রবদা শঙ্গোম থোকপী ষণবী অমদা কেজি ৪০ অমদি চরুনা কেজি ৬ পীজবীবা য়াই। হাতম ওইরগদি শজিক্তা কেজি ১০, চরুদা কেজি ২ অমদি মফোনগী শরুক্ক া গ্রাম ৫০০ পীজবীবা য়াই। অয়াম্বা ষণবুশিংনা শজিক ফাল্লুরগা ষণগোনগী নাকন্দা পৈশিন্দুনা থম্বা অদুম য়াওদবা নত্তে, মসি তৌবিরোইদবনি। পুল্লিবা শজিক মপুন্দু নুংশাদা ফৌদোকপীরগা উইথহল্লগা পীজবনা খ্বাইদগী ফৈ। মসিনা তীল চেনবগী চাং হন্থহল্লি।

এন আই এ এন পি বেঙ্গালুরুগী মতুংইন্না শঙ্গোম থোকপী ষণবীশিংসি শঙ্গোম থোকপগী মতুং ইন্না মচিঞ্জাক পীজবগী খেন্নবা থল্লি। মসিদসু নত্তনা শজিক মরাং কায়না ফংবা, ৱাৎনা ফংবা অমদি ময়ায় ওইরপ্পা ফরবা মফমগীসু শঙ্গোম থোকপগী মতুংইন্না পীজগদবা মচিঞ্জাক খেন্ননা থল্লি। মখোয় অদুদি ঃ-

**ক) শঙ্গোম নোংমদা লিটর ৫ থোক্লগদি পীজগদবা চাংসি-**

| মচিঞ্জাক (কেজি) | শজিক মরাং কায়না ফংবা মফম | শজিক ময়ায় ওইরপ্পা ফংবা মফম | শজিক ৱানা ফংবা মফম |
|---|---|---|---|
| মফোনগী শরুক | - | ১.৮ | ৫.৩ |
| শজিক | ৩৫ | ২০ | ২ |
| চরু | ৩.৫ | ৩ | ৪ |

**খ) শঙ্গোম নোংমদা লিটর ৭.৫ থোক্লগদি পীজবীগদবা চাংসি -**

| মচিঞ্জাক (কেজি) | শজিক মরাং কায়না ফংবা মফম | শজিক ময়ায় ওইরপ্পা ফংবা মফম | শজিক ৱানা ফংবা মফম |
|---|---|---|---|
| মফোনগী শরুক | ১.২ | ৩ | ৬.৮ |
| শজিক | ৩৫ | ২০ | ২ |
| চরু | ৩.৫ | ৩ | ৪ |

**গ) শঙ্গোম নোংমদা লিটর ১০ থোক্লগদি পীজবীগদবা চাংসি -**

| মচিঞ্জাক (কেজি) | শজিক মরাং কায়না ফংবা মফম | শজিক ময়ায় ওইরপ্পা ফংবা মফম | শজিক ৱানা ফংবা মফম |
|---|---|---|---|
| মফোনগী শরুক | ২.৪ | ৪.২ | ৮ |
| শজিক | ৩৫ | ২০ | ২ |
| চরু | ৩.৬ | ৩ | ৪.৫ |

**ঘ) শঙ্গোম নোংমদা লিটর ১২.৫ থোক্লগদি পীজবীগদবা চাংসি -**

| মচিঞ্জাক (কেজি) | শজিক মরাং কায়না ফংবা মফম | শজিক ময়ায় ওইরপ্পা ফংবা মফম | শজিক ৱানা ফংবা মফম |
|---|---|---|---|
| মফোনগী শরুক | ৩.৬ | ৫.৫ | ৮.৮ |
| শজিক | ৩৫ | ২০ | ২ |
| চরু | ৩.৫ | ৩ | ৪.৫ |

**ঙ) শঙ্গোম নোংমদা লিটর ১৫ থোক্লগদি পীজবীগদবা চাংসি -**

| মচিঞ্জাক (কেজি) | শজিক মরাং কায়না ফংবা মফম | শজিক ময়ায় ওইরপ্পা ফংবা মফম | শজিক ৱানা ফংবা মফম |
|---|---|---|---|
| মফোনগী শরুক | ৪.৫ | ৬.৭ | ৯.৮ |
| শজিক | ৩৫ | ২০ | ২ |
| চরু | ৩.৫ | ৩ | ৪.৫ |

**চ) শঙ্গোম নোংমদা লিটর ২০ থোক্লগদি পীজবীগদবা চাংসি -**

| মচিঞ্জাক (কেজি) | শজিক মরাং কায়না ফংবা মফম | শজিক ময়ায় ওইরপ্পা ফংবা মফম | শজিক ৱানা ফংবা মফম |
|---|---|---|---|
| মফোনগী শরুক | ৭ | ৯.৩ | ১.২ |
| শজিক | ৩৮ | ২০ | ২ |
| চরু | ৩.৫ | ৩ | ৫ |

ঐখোয়গী লমসিদদি ষণবু লোইরগদি চরুসি মরাং কায়না থমদুনা পীজবসি থেংনজে অদুবু শজীক মরাং কায়না লৈবা মফমদদি চরুসি পীজবা কয়া উদে। চরুদদি প্রোটিনগী চাংসি য়াওদবগুন্বনি অদুবু ফাইবরগী চাংদি অসুক্কী মতিক ৱাংনা য়াওই। চরুদা সিলিকাগী চাং ৱাংনা য়াওই। চরু য়াম্না পীজরগসু ষণদা লায়না অমা 'ডেগনলা' হায়বা মখলসি লাকহল্লি। মসিগী লায়ওংদি হকচাং পোমখৎপা, মমৈ অমদি মনা মতোন্দা চাথৎপসি থেংনৈ।

চরুসি ষণবুশিংনা নীংথিনা থম্বীরগা অমদি অতোপ্পা পান্বে কয়া শীজিন্নদুনা হেন্না ন্যুত্রিটিভ ভেলু হেনগৎহন্নবা মখল কয়া লৈ। অদুবু ষণবুনা খরা খৃৎলোইগদবা য়েংলগদি মখল ৩ খক লৈ। মখোয় অদুদি ঃ

ক) ঈশিংদা তিংবীরগা পীজবিবা

খ) থুমহীদা তিংবীরগা পীজবিবা

গ) য়ুরিয়াগা তোৎলগা পীজবিবা

**ক) ঈশিংদা তিংবীরগা/চামথোকপীরগা পীজবিবা ঃ**

চরুসি মপুন-মপুন পুল্লিন্ডৈদা ঈশিংদা তিংবিবা/চামথোকপীবা য়াই। মসিদসু নত্তনা চরুসি ৪″-৫″ গী চাংদা ককপীরগা ঈশিংদা চামথোকপীবা নৎত্রগা পুং ৪-৫ ফাওবা তিংবীরগা পীজবিবা য়াই। হায়রিবা চরুসি ষণদা পীজবিবা মতমদা মহাও হেনগৎহনবতা নত্তনা হেন্না চানিংবা ফাওহল্লি অমদি চরুদা পকপা লৈবাক, লৈঙোই কয়া অমসু ঈশিংদা চামথোকখিবনা ষণনা চাবদা হেন্না কান্নবা পী। করিগুম্বা চরুসি তিংলগা পীজবা তারগদি চরুদা য়াওরিবা সিলিকা অমদি লজালেট ময়ামসি লৌথোকপা ঙমহল্লি।

**খ) থুম শীজিন্নবা ঃ**

থুমহীগা চরুগা তোৎলগা পীজবদা চঙগদবা চাং ঃ

চরু - কেজি ১০০

থুম - কেজি ৫

ঈশিং - লিটর ৪০

চরু কক্কদবা চাং - ৪″-৫″

কল্লবা চরুশিং শরুক মরী থোকপীরগা শরুক অমনা অপাকপা পোলিথিন অমা থাবীরগা অহানবা শরুক্তু চাইথোকপীরগা থুমহী নম্না চাইবিরগা তোৎপীগদবনি। অসুম্না লেমহৌরিবা শরুক অহুমদুসু মথং মথং মথক্কী কাঙলোনশিং ইনবীরগা পূন্না পুং ২ মুক য়োমশিনবীরবা মতুংদা ষণদা পীজবীবা য়ারে।

অসুম্না তৌবিরগদি চরুদা য়াওরিবা লীগামিন অমদি ওজালেট হায়রিবা অসি লৌথোকপা ঙমহল্লি অমদি কেলসিয়ম চুপশিনহন্দুনা কেলসিয়মগী চাং ৱাংনা থম্বা ঙমহল্লি।

**গ) য়ুরিয়া শীজিন্নবা ঃ**

য়ুরিয়া তোৎপদা চঙগদবা মচলশিং

চরু - কেজি ১০০

ঈশিং - লিটর ৪০

য়ুরিয়া - কেজি ৪

অহানবদা পোলিথিন অপাকপা অমা থাবীরগা লৈতেম মান্নবা লৈবাক মথক্তা থম্বীগনি। মসিদা কল্লবা চরুশিংদু মরি থোক্লা খায়দোকপীরগা অহানবা শরুক্তু পোলিথিন মথক্তা চাইথোল্লগা পানা থম্বীরগা য়ুরিয়া মহীদু পেরে অমদা হাপ্পীরগা চরু মথক্তা চাইথোল্লবা তুংদা চরুগা পূন্না তোৎপীগনি। অসুম্না লেমহৌরিবা শরুক অদুসু মথং মথং মথক্কী কাঙলোনশিং অসি ইনবীরগা তোৎপীগনি। য়ুরিয়া তোৎলিবা চরুদু নুংশিৎ চঙহন্দনা নুমিৎ ২১ নি থম্বীরবা মতুংদা পীজবিবা য়ারে। য়ুরিয়া তোৎপা চরুসি হেক হাংদোকপগা মিনিট ২০ মুক্তি নুংশিৎ নুংশা চঙহন্দুনা থম্বীরবা মতুংদা পীজবিবা য়াই। অহানবা পীজবা মতমদা চাং খরা হন্থনা পীজরবা তুংদা খরা খরা অসুম হেনগৎহনবীগনি। করিগুম্বদা ঐখোয়না য়ুরিয়া তোৎলগা থল্লিবা মতমসি শাংবনা চেকশিন থৌরাং নিংথিনা লৌহৌবিহৌদ্রগদি শুজা কাবগী চাং য়াম্না ৱাংহল্লি। করিগুম্বা কোকফাই শুজা কাবা তারগদি ষণদা পীজবিরোইদবনি। য়ুরিয়া তোৎলিবা চরুসি গর্ভ পুবী ষণবী অমদি ষণাও থা ৬ কী মখাদা লৈবদদি খক পীজবিরোইদবনি।

ষণগী মচিঞ্জাক ওইনা কংসু পীজবা য়াই। কংদা প্রোটিন, ভিটামিন অমদি মিনরেল মরাং কায়না ফংই। শঙ্গোম থোকপী ষণবীদা কংগা মফোনগী শরুক্কা ১:১ দা পীজরগদি শঙ্গোম থোকপগী চাংসি চাদা ১০-১২ হেনগৎল্লি। অসুম্না ষণবুনা নীংথিনা পীজ পীথক তৌবীদুনা হেন্না শঙ্গোম পুথোক্তুনা শঙ্গোমগী অৱাবা লৈরিবসি খরমখৈ কোক্লবা হোৎনমিন্নরসি।◀◀

# চীংগী লমদা ঙা য়োকপগী তঙাইফদবা

ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ

**হৌজিক-হৌজিক** মণিপুরদা পুথোক্লিবা ঙা অসি তম্পাক্কী লমশিংদগীনা অয়াম্বনি। তৌইগুম্বসুং তম্পাক্কী লম অসি চীংগী লমশিংগা চাংদম্নবদা অসুক্কী মতিক পিকই। মণিপুরগী পাক চাওবগী চাওরাক্লা মরিফুতরাদি চীংগী লমনি। হায়রিবা চীংগী লমশিং অসিদা ঙাগী পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা অমদি পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না তঙাইফদ্রবা ৱাফম অমা ওইরক্লি। মরমদি মণিপুরগী ঙাগী পোৎথোক অসি কোন্নদবনা মরম ওইদুনা মপান লৈবাকশিংদগী পুশিল্লক্লি অমদি মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাশিং অসি চাবদা হকচাং শোকপা য়াবগী ৱাফম কয়াসু পুখৎনরক্লি। মসিদসু নত্তনা লমদম অসিগী শেল কয়াসু মপান লৈবাকশিংদা চৎখি। চীংগী লমশিং অসিদগী ঙা পুথোরক্লবদি মণিপুরগী মীয়ামগী চাবা কোন্নবদা নত্তনা মপান লৈবাকশিংদা থাদোকখিদুনা লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা শেনফম কয়া ফংবা য়াবগী খুদোংচাবসু লৈরি।

কনাগুম্বা মীওই খরদি চীংদবু ঙা করম্না য়োক্কনি খনবদা অঙকপা ফাওবীরম্বসু য়াই। তৌইগুম্বসুং মফম মতমগী মতুং ইন্না খর খজিক ওম্ভোক-ওনশিন তৌদুনা ইরায় লায়বা মওংদা পাঙথোক্তুনা মায় পাক্লা ঙা য়োকপগী থবক পাঙথোকপীবা য়াই। মতম শাংনা ঈশিং ফংদবা মফমশিংদনা ঙা মচা পুথোকপগী থৌওংশিং পাঙথোকপীবা য়াই।

চীংগী লমশিং অয়াম্বনা ঈশিং ফংদবগী খুদোংচাদবা লৈবতা নত্তনা অৱাংবা মফম ওইবনা ইংবগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লরি। ইন্দিয়াদা হান্নদগী য়োক্লদুনা লাক্লিবা ঙাশিং হায়বদি রৌ, কতলা, ম্রিগলনচিংবা ঙাশিং অসি অইংবা মফমদা হৈনদবা মরম্না মচীঞ্জাক চাবসু হন্থে। মরম অসিননি ঙাশিং অসিনা নিংথমথাদা চাগনদ্রিবসি। মসিদসু নত্তনা প্লানটন (Plankton) হায়বা মহৌশানা পীবা ঙাগী খ্বাইদগী ফরবা মচীঞ্জাক হায়বদি ঈশিংদা লৈবা অপিকপা জীবশিং অসিসু অইংবা মফমদা মরাং কায়না লৈবা ঙমদে। মরম অসিনা চীংগী লমদা ঙা য়োকপীবা তারবদি ষন্থি-ষনয়ুংগী হার অমদি অহেনবা মচীঞ্জাকনচিংবা চাং নাইনা হাপ্পীগনি।

চীংগী লমদা ঙা য়োকপা মতমদা খন্থবীগদবা ৱাফম খরদি (১) ঙাশিং অদু মশা খরা হেন্না কনবা (২) অইংবা মফমদা হৈনবা (৩) চিলহাও থিদবা অমদি (৪) খরা থুনা চাওগনবা মখলগী ঙাশিং খনবীগদবনি। হৌজিক ময়াম্না য়োক্লরিবা ঙাশিং অসিগী মরক্তগী হায়বা তারবদি পুকলাওবী, নাপী চাবী অমদি সিলভর কার্পনচিংবা অসিনি। হায়রিবা ঙাশিং অসিদি মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিংনি তৌইগুম্বসুং চীংগী লমশিং অসিদা হান্নদগী লৈজরক্লবা ঙাশিংদগী চান্নবা ঙাশিং খনবীদুনা য়োকপীবসু য়াই। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা ঙাশিং অসি য়োক্লবগীদমক্তদি ঙাশিং অসিগী মরমদা ফজনা থিজিনবা হায়বদি করম্বা মচীঞ্জাক চাবগে, করম্বা মতমদা মরূম কোকপগে, করম্বা মফমদা লৈবা হৈনবগে অসিনচিংবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা নুংঙা, ঙাতোন/খাবক শানা ঙানা চিংবা ঙাশিং অসিগী মরমদা ফজনা থিজিন্দুনা মচা পুথোক্লবা মতমদতা ঙাশিং অসি য়োকপা হৌবা য়াগনি। তম্পাক্কী মফমশিংদা উবা ফংদবা মওং খরা চীংগী মফমদা হেক হেক উবা ফংই, হায়বদি চীংনা শারৈ অমগুম্না ইকোয় কোয়না কোইশিনবা অদুগা ময়ায়দা হেন্না কুৎথদুনা লৈবা মফম খরা চীংগী লমশিংদা লৈরি। হায়রিবা মফমশিং অসিদদি শাবগী চাং য়াম্না হেনবা মরম্না তম্পাক্কী মফমশিংদা তৌবগুম অয়াম্বা ঙাশিং য়োকপদা হেন্না খুদোং চাহল্লি অমদি চাওবগী চাংসু হেল্লি।

চীংগী লমদা ঙা মচা পুথোকপগী থবক অসি কয়া পাঙথোকনদবা মরম্না চীংগী লৌবুক্তা নৎত্রগা চীংগী নাপোমদা লৈবা পুখ্রিশিংদা য়োক্লনবগীদমক ঙা মচাশিং অরাপ্পা মফমদগী লৈনৈ। মরম অদুনা পুথোক-পুশিন তৌবদা শেল য়াম্না চঙবদা নত্তনা খুদোংচাদবা কয়া অমসু মায়োক্লরি। হায়রিবা খুদোংচাদবশিং অসি মায়োক্লদনবগীদমক্তা ইশা ইশাগী ঙা মচা পুথোক্তুনা, ঙা য়োকপগী থবক হেন্না মায় পাকহনবা য়াই। মহৌশানা চহী চুপ্পা অফবা ঈশিং ফংবা মফম কয়া চীংগী লমশিংদা লৈ। অসিগুম্বা মফমশিং অসিদা ঙাগী পুখ্রি শেমদুনা মায় পাক্লা ঙা য়োকপা অমদি ঙা মচা পুথোকপগী থবক পায়খৎপা য়াই।

চীংগী লমশিংগী অয়াম্বা ইমুংদা ষণ, ইরোই, ওকনচিংবা কয়া য়োকপগী চৎনবী লৈ অমদি য়াম্না পাম্না চানবা মরম্না মখোয়শিং অদুবু পূল্লপ পূনশিন্দুনা অমনা অমগী কান্নবা ফংমিন্নদুনা চাথোক হেন্না পুথোকপা য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা অমদি ঙা, ষণ, ওক, য়েন, ঙানু, মনা-মশিং অমদি অতোপ্পা পোৎশকশিং পূন্না মতম অমত্তদা মফম অমত্তদা পাঙথোকমিন্নবা অদুবু ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং কৌই। হায়রিবা থৌওং অসিদা অমগী কান্নদবা পোৎশক অদু অতোপ্পা অমগী কান্নবা ওইনা শীজিন্নদুনা শেল চঙবগী চাংসু হন্থহল্লি। মরমশিং অসি লৈবনা হায়রিবা থৌওং অসি চীংগী লমশিংদা য়াম্না কান্নবা য়াবা থৌওং অমনি।

চীংগী লমশিংদা ফৌ মরক্তা ঙা থাদদুনা পূন্না য়োকমিন্নবা হায়বসিসু মমাঙঙৈদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা থৌওং অমনি। লৌ উবা মফম হায়বসিতবু মতম খরাতমক ঈশিং লৈবা মরম্না অচৌবা ঙা পুথোকপা ঙমদ্রবসু ঙা মচা পুথোক্লবগী ওইনা শীজিন্নদুনা শেল ফজনা ফংবা য়াবদা নত্তনা মথংগী ঙা য়োক্লবগীদমক অরাপ্পা মফমদগী ঙা মচা লৈদনবগী ওইনা শীজিন্নবসু য়াই। লৌবুক্তা ঙা য়োকপা মতমদা ফৌগী চাথোক হেনগৎহনবদসু মতেং পাংই। খুদম ওইনা হায়রবদা লৌবুক্তা লৈবা তিল-কাংনচিংবা অমদি ফৌরক্তা হৌবা নাপী ঙানা চাথোকপনা মরম ওইদুনা ফৌ পান্বীদা কান্নবা য়াম্না পী। চীংগী লমদা মহৌশাদগী ফংবা অতাঙবা অমদি লৈতেংগী ওইনা শীজিন্নবা য়াবা ঙা কয়াবু য়োকপগী থৌওং কয়া পায়খৎতুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদা নত্তনা মুৎখিগদৌরবা ঙা কয়াবু কনবা অমদি মীওই কয়াগী শেন্থোক লন্বী হেনগৎহন্দুনা মীওই কয়াগী শেল-থুমগী ফিভমসু ফগৎহনবা ঙমগনি।◀◀

# মণিপুরগী তম্পাক্কী লমদা হু চেনবা চেঙ্গুম হৌনরক্লে

# কংলা, অৱাং শেকমাই অমসুং লমশাংদসু হৌরম্বা থেংনরে

সেলৈবম বিহারি

**মহৌশাদগী** নোংজু থাদা চেঙ্গুম মখল কয়া চীং অমসুং তমগী চেঙ্গুম মফম কয়াদা হৌরকই। চেঙ্গুমশিং অদুগী মনুংদা কাঙলুপ অনী থোকই, অহানবগী কাঙলুপনা চাবা য়াদবা চেঙ্গুম অদুগা অকোনবগী কাঙলুপনা চাবা য়াবা কাঙবুনি। হৌজিক লমদমসিদা মীওই লীশিং অমা হেনবনা শেন্দাল লন্বী ওইনা চেঙ্গুমগী ফার্মদা থানরিবা চেঙ্গুমশিং অসিসু চীং নৎত্রগা তমদগী উ নৎত্রগা লৈবাক লৈহাওদা হৌরম্বদগী হেক্লগা অখন্নবা সাইন্টিষ্টশিংনা লেবোরেটরিদা চাংয়েং মখল কয়া চথুরবা মতুংদা চাবা য়াবনি হায়দুনা থাদোরক্লবা চেঙ্গুম ঙাক্তনি।

লমদমসিগী মীয়াম্না য়াম্ন পাম্না চানবা তম্পাক্তা হৌবা চেঙ্গুমশিংগী মনুংদা চেঙ্গুম নারিন, চরুয়েন, ফৌবাক চেঙ্গুম, টেক-টেকপান, লাংয়েন অমসুং খোঙনাং চেঙ্গুম মমিং পনবা য়াই। চীংগী লমদনা থাংজিয়েন, উচিনা, কংলায়েন অমসুং প্লুরোটশ কাঙলুপকী সাজোর কাজু অমসুং ওষ্ট্রেটশ মমিং পনবা য়াই। ময়ামসিগী মনুংদা থাংজিয়েন, উচিনা অমসুং কংলায়েনদি চহী চুপ্পা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল শরেং য়োনফমগী মনিংদা ফল্লিবা দুকান পরেংদা অকংবা ওইনা চহী চুপ্পা ফংই। অদুগা প্লুরোটশ কাঙলুপকী সাজোর কাজু অমসুং ওষ্ট্রেটশতি মপাল্লোমদগী কলচর লৌরগা স্পাউন পদ্রক্সন লেবোরেটরিদা কম্মর্সিএল স্পাউন শেম্লগা মণিপুরগী ফার্মরশিংনা থানরে।

চাবা য়াদবা হু চেনবা চেঙ্গুম মখলদি মশিং খঙদনা লৈখ্রে। হন্দক্তা চৎলিবা ওগষ্ট থাসিদা কংলা মনুংদা লৈবা ম্যুজিয়মদা থবক তৌবা বিমোলনা ফোনদা পাউ পীরকপদগী অইবনা থাংমৈবন্দ থিঙেল লৈকাইদা হৌজিক হৌজিক চেঙ্গুমগী ফার্ম তৌবগা লোয়ননা চেঙ্গুম মরূসু শেল্লিবা মুহিন্দ্রোগা লোয়ননা কংলাদা চৎতুনা চেঙ্গুম মখল অহুমগী সেম্পল পুরকখি। য়ুনিভর্সেল মশ্রুম ক্লবকী মশ্রুম লাইব্রেরিদা চেঙ্গুম মখল ২৫০০ গী ফোটোগা কোন্ননা করেক্টর য়াওবা লাইরিকশিংদা য়াওরমখি। চাবা য়াদবা চেঙ্গুম ওইরমখি।

মমাঙগী নুমিৎ অমদনা হাপ্তা খুদিংগী নুমিৎ হুম্নি চেঙ্গুমগা লোয়ননা চরুয়েন থাবা অমসুং চেঙ্গুম মরূ শেম্বগী ট্রেনিং তৌবা থাংমৈবন্দদা লৈবা য়ুনিভর্সেল মশ্রুম ক্লবকী প্রেক্টিকল পাঙথোকপগী শরুক অমা ওইনা অৱাং শেকমাই গৌরোগীদা মমিং খঙদবা উ অমদা চাবা য়াবা চেঙ্গুম মানবা খরা হৌরমখি। অদুগা হাওরং শাবলগী বোরেন্দ্রো কম্পোজিৎ ফার্মদা চৎলুবগী হল্লকপা লন্বীদা লমশাংগী অৱাংদা লৈবা লৌবুক্তা চাবা য়াবা চেঙ্গুম মানবা কয়ামরুম হৌরমখি। অইবনা অনীমক্কী সেম্পল পুরক্লগা ক্লবতা লৈবা কেটলোগকা য়েংনবদা চাবা য়াদবা ওইরমখি।



কংলাদা হৌরম্বা চাবা য়াদবা চেঙ্গুম



অৱাং সেকমাইগী মশক খঙদবা উ অমদা হৌরিবা চাবা য়াদবা চেঙ্গুম

হৌখিবা ইং ২০০৮ দা মণিপুরদা চেঙ্গুম চারুবদগী অশি-অনা নংবা কয়ামরুম য়াওখিবগী পাউ নুংতিগী ফোঙবা লমদমসিগী পাউচেশিংদা য়াওখি। হন্দক্তসু হৌখিবা মে ২২ গী হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা "ইরানদা হু চেনবা চেঙ্গুম চারুবনি চিংনবা মীওই ৮০০ লায়কন্নখ্রে" হায়না ফোঙলকপা থেংনখি। অসুম্নসু মখা তারি "টাসনিম ন্যুজ এজেন্সীনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা, হৌজিক ফাওবদা হু চেনবা চেঙ্গুম চারুবনি চিংনবা মীওই ৮০০ লোম হোস্পিটালদা পুখৎলগা লায়কন্নরি। অদুগা মীওই ১১ না লৈখিদ্রে। হু চেনবা চেঙ্গুম চারুবনা ওইহল্লকপা লায়না-লায়ওংশিং চপ চানা ফহনবা ঙম্বা হিদাক লৈতে। লোয়ননা ইফেক্টিব ওইনা লায়েং চথবা য়াবগী ফিভমসু লৈত্রিবনি হায়রি"।

হু চেনবা চেঙ্গুমসি মীওইবদা য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবনা ঐখোয়না কৈথেলদা য়োল্লম্বা চেঙ্গুম অমসুং লম্লক্তা হৌরম্বা চেঙ্গুম অনীমক মুন্না মশক খঙদ্রবদি চাবীরুনু। চেঙ্গুম অমবু মশক য়েংলগা চাবা য়াবনি নৎত্রগা য়াদবনি হায়না চপ চানা খঙবা ঙম্বা মীওই মণিপুরদদি লায়রদনা ভারতকী ওইনা অতাঙবনি। অদুদি চাবা য়াবা মশক খঙবা চেঙ্গুমসি কমদৌনা খঙগনি? খুদম অমা পঞ্জগে - কনাগুম্বগী ইস্কোলগী মচি অমদা হৈবোং পান্বী অচৌবা অমা হৌই। হৈবোংদুগী মখোঙদা চহী খুদিংগী চেঙ্গুম মখল অমা হৌই। চহী খুদিংগী হেক্তুনা চাই। য়াম্না হাওই। মদুগুম্বা অদুবুনি মশক খঙবা চেঙ্গুমনি হায়রিবসি। অদুগুম্বা চেঙ্গুমদু ফংদ্রগা ফার্মদা থাবা চেঙ্গুম লৈরগা চাবীয়ু। নৎত্রগা মশক খঙবা চেঙ্গুম মরূ শেম্ফম লেবোরেটরিদগী চরুয়েন মরূ নৎত্রগা সীজনগা চান্নবা ওইষ্টর মশ্রুমগী মরূ লৈরগা ইশানা থারগা চাবীয়ু, ফংদ্রগা য়ুনিভর্সেল মশ্রুম ক্লব, থাংমৈবন্দ, ফোন নম্বর ৮৭৭৪৮৭০৮১০ নৎত্রগা ৯৪০২৮৬৮৫৪২ দা মাঙজৌননা হায়বীরকউ।

মথক্কী ক্লব অসিদা চরুয়েন থাবা য়াওনা চেঙ্গুম থাবা অমসুং চেঙ্গুম মরূ শেম্বগী নুমিৎ হুম্নিগী ট্রেনিং চয়োল খুদিংগী পাঙথোকই। ট্রেনিং অদুদসু চেঙ্গুমদা হু য়াওবা অমসুং মদু চারুরগা ওইরকপা লায়ওং অমসুং লায়েংনচিংবা মচা খায়না তাকই। ট্রেনিং য়াওদ্রবসু অইবগা পুংখায় অমরোমদং ৱারী শানরগসু চেঙ্গুম থাবা ঙমগনি নৎত্রগা চেঙ্গুমগী অর্টিকলশিং খবরদা য়াওখিবশিংদু খোমজিল্লগা মুন্না পারবসু ট্রেনিং য়াওদনা চরুয়েন অমসুং চেঙ্গুম মখল অনীমক থাবা ঙমগনি। ভাব তাবীদবা য়াওরবসু মথক্তা পীজরিবা ফোন নম্বরসিদা হংবীরকপদা তরাম্না ওকচগনি।

চেঙ্গুম চাং নাইনা চাবনা হকচাং ফহল্লি। মীওইবগী হকচাংদা চঙলক্কদবা লায়না মখল কয়ামরুমদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা মচল কয়ামরুম চেঙ্গুমদা য়াওরি। মণিপুরদা চেঙ্গুমগী ফার্ম তৌদুনা ইমুং মনুং পুবা য়াম্না লৈরে। চেঙ্গুম থাবগী শিনফম য়াম্না তোংবা শিনফমনি। য়োনবা ৱাদে। চেঙ্গুম কেজি অমা পুথোকপদা লুপা ৩০ মুক্তা চঙই। লল্লোনবীদা পূন্না থাবদা লুপা ১২০ নি, চোইনা য়োল্লগা পৱাদা লুপা ৪০ - ৪০ নি। চরুয়েনসু কেজি অমা পুথোকপদা লুপা ১০০ য়ৌনা চঙদে। লল্লোনবীদা পূন্না য়োনবদা কেজিদা লুপা ৩০০ হেল্লি অদুগা চোইনা য়োনবদনা লুপা ১০০ গী মশীং ৭-৮তা তৌই। ওল্লগা য়েংবদা গ্রাম চাম্মরোমতা ওইরম্মী। কেজিদা পারদি লুপা লীশিংগী ময়ানি।◀◀